**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-01-2026)**

**কেভি (এল) ঃ** কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয় সংগধন (কে.ভি.এস) তিনশুকিয়া রিজনগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-টি. প্রিতম সিংহনা ভারত সরকারগী শিক্ষা মন্ত্রালয়গী হয়ার এদুককেসন বিভাগকী সেক্রেটরি-ডা: বিনিত যোসিগা ৱারী শান্নদুনা অৱাং নোংপোক লমদম, মরুওইনা মনিপুরগী শিক্ষাগী লমদা হেন্না চাউখৎহন্নবগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা পাউদমখ্রে।

ৱারী শান্নবা অদুদা শ্রী প্রিতম সিংহনা অৱাং নোংপোক লমদমগী কেন্দ্র বিদ্যালয় মশিং হেনগৎহন্দুনা মগুন লৈবা শিক্ষা ফংহন্নবগী ৱাফম পনখি। মহাকা সেনাপতি, ককচিং, থৌবাল, কামজোং অমদি কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয় লৈত্রিবা মনিপুরগী অতৈ জিলাশিংদা অনৌবা কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয়শিং হাংদোকবা প্রস্তাব তৌখি। মহাকা তিনশুকিয়া রিজনগী কে.ভি. নম্বর ৱান লম্ফেলপাৎ, কে.ভি. নম্বর টু-লাংজিং, কে.ভি. নম্বর থ্রি লৈমখোং, কে.ভি. উখ্রুল, কে.ভি. তমেংলোং, কে.ভি. দিব্রুগর অমদি কে.ভি. রঙ্গপহারনচিংবদা পার্মিনেন্ট বিল্ডিংশিং শাগৎলিবশিং অদুগী মতাংদসু পাউদমখি।

স্কুলশিং অসিদা ওজা, প্রিন্সিপাল অমসুং ওফিস ষ্টাফনচিংবা রিগুলর ষ্টাফকী অৱাৎপা লৈরিবশিং অদুগী মতাংদসু মসি কোকহন্না মতেং পাংবীনবা হায়খি। ডা: বিনিত যোসিনসু পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি।

**এরেষ্ট (এল) ঃ** মনিপুর পুলিস অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা লমলাই তেলৌদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা পিষ্টোল অনি, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৯১, ফিফতি ৱান এম.এম. মোর্টার ঐচ.ই. বোম অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমদি অতৈ খুৎশু খুৎলায় কয়া ফারে।

ফারবা খুৎলায়শিং অদু লমলাই পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

**কন্দেম (এল)ঃ** চহি হৌবা নুমিৎতা মশক খঙদবশিংনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা নাউরেমথোং খুলেম লৈকাইদা লৈবা অঙাং অমা শোকখিবা থৌদোক অদু লক্সা প্রাইয়োনর কমিতিনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং সরকারগী মরী লৈবা লোইশঙশিংনা ফাদুনা মরালগী মতিক চাবা দন্দি ফংহল্লু অমদি তুংদা অসিগুম্বা থৌওং অসি অমুক হন্না থোকহন্দনবা কমিতি অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**ৱাঙ্গোই (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাঙ্গোই মমাং খাইদেমদগী নুপী অমা হাৎখিবনি হায়বা থৌদোক্তা চেন্নবশিং দন্দি পীয়ু হায়দুনা মীশি অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সি. অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ঙসি ৱাঙ্গোই বজারদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা মীহাৎ অসিদা চেন্নবশিং মরী লৈনবশিংনা মরালগী মতিক চাবা দন্দি পীয়ু হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি। তুংদা, মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা জে.এ.সিনা শিন্দুনা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোকখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা ও.সি. সেকমাইজিং, শিংজমৈগী সি.এস.ওশিং, হৈনৌবোক্কী মৈরা পায়বীশিং, লিলোংগী মুস্লিম লুচিংবশিং, পাৎশোইগী ৱার্ড মেম্বর, চন্দ্রখোংগী মহৈরোই লুপশিং, ওইনামগী দিবলপমেন্ট ক্লবকী নহাশিং, ভিলেজ চীফশিং অমসুং কম্ম্যুনিতি মেম্বরশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। ৱারী শান্নবা অদু সেক্যুরিতি অমসুং কম্ম্যুনিতিগী মরক্তা হেন্না অচেৎপা মরী থমবা পান্দমদা পাঙথোকপনি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনাম কবুই খুলদা পাঙথোকপা গান ঙাইগী থৌরমদা অসাম রাইফলসনা খুল অদুগী খুঞ্জাশিংগা গান ঙাই কুম্মৈ শরুক য়ামীন্নখ্রে।

থৌরমদুদা অসাম রাইফলসকী ওফিসিএলশিং য়াওনা খুঞ্জা ২৫০ রোমনা শরুক য়াখি।

**এআর (এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাদা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ভেং অমসুং সঙাইকোটতা যোগ অমসুং ফিটনেস সেসনগী কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু ইন্টরনেসনেল মাইন্দ, বোদি ৱেলনেস ডেগী মাংওইননা পাঙথোকপনি। কেম্প অদুদা মফম অদুগী মীওইশিং য়াওনা পুন্না মীওহ ৭০ রোমনা শরুক য়াখি। থৌরম অদু প্রমোটিং হোলিষ্টিক হেলথ ষ্ট্রেস মেনেজমেন্ট অমসুং মেন্টেল ৱেল বিয়িংদা মীৎয়েং থমদুনা পাঙথোকপনি। মসি মীচম অমসুং মিলিটরিশিংগী মরক্তা হেন্না অফবা মরী থমবা খোঙথাংগী শরুক অমসুনি।

**হেকাথোন (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী ইনফোর্মেসন টেকোলোজি বিভাগনা মণিপুর ষ্টেট আই.টি. সোসাইতিগা খুৎশমদুনা টেকস্প্রিন্ট মণিপুর ৱান পোইন্ট জিরো হায়না মীংথোনবা পং ৪৮ গী এ.আই. হেকাথোন অমা পাঙথোক্কদৌরি।

থা অসিগী ১৫ অমসুং ১৬ তা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা আই.টি. স্পেসিয়েল ইকোনোমিক জোনদা পাঙথোক্কদবা হেকাথোন অসিদা আরর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স ফোর গভর্নেন্স, ষ্ট্রটঅপ অমসুং সোসিয়েল ইম্পেক্ট হায়বসিদা মরুওইবা মীৎয়েং থল্লি। মসিদা ই-গভর্নেন্স, হকশেল, শিক্ষ, লৌউ, শিংউ, স্মার্ট সোলুসন অমসুং সাইবর সেক্যুরিতিনচিংবা কোনশিল্লি। মণিপুর অমসুং মণিপুরগী ৱাংমদগী মহৈরোইশিংনা আই.টি. ওন্তরপ্রেন্যুরশিং অমসুং এ.আইগী লমদা খঙ হৈরবা মীওইশিংনা হেকাথোন অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। মসিনা ইনোভেসন অমসুং এ.আইদা বেজ তৌবা প্রোটো টাইপ শেমগৎনবা পান্দম থল্লি। হেকাথোন অসিদা শরুক য়ানবগীদমক রেজিষ্টর তৌবগী মতম থা অসিগী ১০ ফাওবনি।

**দেসাম (এলঃ** দেমোক্রেতিক ষ্টুদেন্টস এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী ২৪ শুবা ফাউন্দেসন ডে থৌরম ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে। কলটিভেতিং চেঞ্জ ফ্রোরম এদুকেসন টু এক্সন হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকপা থৌরম অসি ঙসি জে.এন. মনিপুর দান্স একাডমীদা পাঙথোকখি।

জিরিবামদসু, জিরিবাম দেসাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা শিনদুনা নুমিৎ অসি পি.ডবিয়ু.ডি গেষ্ট হাউসতা পাঙথোকখি।

**প্রমোদিনি (এল)ঃ** লমদম অসিগী শকাইরবী অইবী-খাইদেম প্রমোদিনিগী ১০২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু লৈমরোল খোর্জেকোল (লৈকোল) না শিনদুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাংখৈ য়োংলান লৈরক্তা লৈবা মাইচৌ তরেৎ ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মনিপুরি সাহিত্যগী লমদা অইবী অসিনা লৌরম্বা থৌদাংশিং শিংথাখি।

**য়াইরিপোক (এল)ঃ** য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরী, মনিপুর লিংখৎখিবগী  ৩৩ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি য়াইরিপোক্তা লৈবা লাইব্রেরী অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা উশম নিলাচন্দ্র সিংহ খোরিরোল মনা-২০২৫, শকাইরবী অইবী-ডা: হাওবম নলিনিদা মহাক্কী শৈরেং লাইরিক ‘নুংশি থোইবা’ গীদমক খুৎশিন্নখি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং তরা, সাল অমসুং সাইটেসননচিংবা য়াওরি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ন্যু দিল্লিগী রাইপিথোরা কলচরেল কমপ্লেক্সতা ঙসি ভগবান বুধগা মরী লৈনবা শেংলবা ঐতিহাসিক ওইরবা পোৎলমশিংগী মালেমগী থাক্কী মেলা হৌদোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-চহি ১২৫ ঙায়রবা মতুংদা

ভারতকা হেরিটেজ অমসুং মসিগী লিগেসি অমুক হল্লক্লে। শ্রী মোদিনা হায়-ঙসিদগী হৌরদুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামনা ভগবান বুধাগী শেংলবা পোৎলমশিং দরশন তৌবা ফংজরগনি অমসুং মহাক্কী থৌজালসু ফংলগনি। ভগবান বুধাগী অসিগুম্বা শেংলবা পোৎলমশিং অসিবু ফংখিবা মীওইশিং অদুনা মসিব্ মালেমগী কৈথেলদা নিলাম তৌনবা হোৎনরম্মী। অদুবু, ভারতকী ওইনদি মসি ভগবানগী অমদি খুন্নাইগী ওইবা শেংলবা পোৎলমশিংগী শরুক অমনি। মরম অসিদগী সরকারনা পোৎলমশিং অদু নিলাম তৌদনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি অন্দমান নিকোবর ইথৎতা গৃহ মন্ত্রালয়গী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সলটেটিব কমিতিগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

লৈবাক্কী সেক্যুরিতি, দিজাস্তর মেনেজমেন্ট, সাইভর সেক্যুরিতি অমসুং লমদম লমদমগী ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী মতাংদা মীৎয়েং চংবগা লোয়ননা মীফম অদু পাঙথোকখিবনি। গৃহ মন্ত্রিনা সাইভর ক্রাইম থেংননবা কনভরজেন্স, কোওদিনেসন, কম্ম্যুনিকেসন অমসুং কেপাসিতি য়াওবা লম ফাংবা পোরম অমসু পুথোকখি।

নুমিৎয়ুংবা মতুংদা শ্রী সাহনা হান্না পোর্ট ব্লেয়ার হায়না খঙনরম্বা শ্রী বিজয়াপুরমগী আই.টি.এফ. গ্রাউন্দদা নবিন নিয়াই সনহিতাগী মেলা অমা হৌদোকখি। তুংদা, মহাকা নেতাজি ষ্টেদিয়মদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়াগী যাত্রাসু হুনখি।

গৃহ মন্ত্রি নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ঙরাং নুমিদাং অন্দমান অমসুং নিকোবর ইথৎতা থুংখিবনি। মসি হৌখিবা থা অমা ফাদ্রিঙৈ মতমগী মনুংদা শ্রী সাহগী মফমদুদা চৎপা অনিরকশুবনি।

**ইসিঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা মীয়ামদা মসিগী এপ-ই.সি.আই. নেট দাউন্দলোদ

তৌদুনা সমিট এ সজেসন টেব শিজিন্নদুনা মসিবু হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা মখোয়গী মোটশিং পীরকবা হায়রি। মীয়ামনা এপ অসিদা মখোয়গী মোত থা অসিগী ১০ ফাওবদা পীখৎলকবা হায়রি।

ই.সি.আই. নেট এপ অসি মমাংগী ভোটর হেল্প লাইন এপ, সি-ভিজিল, সক্ষম, পোল্লিং ত্রেন অমদি নো হয়োর কেন্দিদেট এপনচিংবা তোঙান তোঙানবা মীখলগা মরী লনবা এপ্লিকেসন ৪০ পুনশিন্নদুনা শেম্বা সিঙ্গল য়ুনিফাইদ এপ অমনি। ই.সি.আই. নেট অসি চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার-গ্যানেস কুমারগী লমজিং মখাদা কম্মিসননা পায়খৎপা মরুওইবা থৌরাংশিংগী মনুংদা অমনি। কম্মিসননা হায়-এপ অসি ২০২৫ গী বিহার বিধান সভা মীখল অমসুং মরক্কী মীখলশিংদা মায় পাকা শিজিন্নখ্রবনি।

**রাধাঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়রি-হৌজিক্কী মতমগী বিগ্যান অমদি মহৌশাদগী লৈরক্লবা হৈথোই শিংথোইবা অনিনা পুন্না চৎমিন্নরবদি মশা-মউ ফবা পুন্সি অমদা হিংবা ঙমগনি।

চেন্নাইদা ঙসি ৯ শুবা নেসনেল সিদধা নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাধাকৃষ্ণননা হায়-সিদধা অসি হৌজিকসু চৎনরিবা মহৌশাগী থৌওং অমনি। উপ রাস্ত্রপতিনা মহামুণি অগাথিয়ারগী মফমদা শ্রধাঞ্জলি কৎপগা লোয়ননা হৌজিক্কী মতমদসু হকশেলগী লমদা সিদধাগী থৌওংগী মরুওইবদু নৌহৌনা নীংশিংখি। মহাকা হায়-আয়ুসকী মনুং চল্লিবা মহৌশাদগী লৈরক্লবা সিদধা, অয়ুরবেদ, য়ুনানি অমসুং যোগগুম্বা অসি মীওই কয়ানা মশা-মউ ফনা, নাদ য়েক্তনবা লৈনবগী থৌওংশিংনি।

**মাওইষ্টঃ** ছাতিসগরগী বাস্তর লমদমগী তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা মাওইষ্ট ১৪ শিরে হায়রি।

২০২৬ কী অহৌবা অসি ছাতিসগরদা এন্টি নেক্সেল ফ্রন্টতা সেক্যুরিতি

ফোর্সকী ওইনা য়ামা চাউবা মায় পাকপা অমা ওইরে। বাস্তর লমদমগী বিজাপুর অমসুং সুকমা জিলাদা থোকখিবা তোঙ কান তোঙানবা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা মাওইষ্ট ১৪ অদু শিখিবনি। সুকমা জিলাগী কোনতা লমদমদা খুৎ থোকবদা মাওইষ্ট ১২ লৈখিদে। বিজাপুর জিলাগী বাসুগুদা লমদমদা মাওইষ্ট অনিসু খুৎ থোকবদা শিরে হায়রি।

মফম অদুদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা এ.কে. ফোরটি সভেন রাইফল অমসুং অতৈ খুৎশু খুৎলায় খরা ফাগৎলে হায়রি।

**এনসিসিঃ** কুমশি চহিগী রিপাব্লিক কেম্পতা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী নুপীমচা ৮৯৮ য়াওনা পুন্না এন.সি.সি. কেদেদ লিশিং ২,৪০৬ না শরুক য়াগনি। মসি মমাংগী চহিশিংগা চাংদমবদা নুপীমচা কেদেদকী মশিং নীংথিনা হেনগৎলে। কেম্প অসি মমাং থাগী ৩০ দগী হৌখিবনি।

ন্যু দিল্লিদা এন.সি.সি. রিপব্লিক কেম্প ২০২৬ কা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এন.সি.সিগী দাইরেক্তর জেনরেল- লেফটনেন্ট জেনরেল-বিরেন্দ্র ভাটনা হায়-মসিগী মনুংদা জম্মু কাশ্মির অমদি লদাগতগী কেদেদ ১২৭ অমসুং অৰাং নোংপোক লমদমদগী কেদেদ ১৩১ য়াওরি।

মহাকা হায়- য়ুথ এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রামগী মখাদা হন্দক্কী পালন থৌরম অসিদা মরুপ-মপাং ওইবা লৈবাক ২৫ গী কেদেদশিং অমদি ওফিসারশিংসু শরুক য়াগনি। গনতন্ত্র দিবসকী পেরেডতা কেদেদশিং অসিনা ফয়ারিং অমসুং কন্টিজেন্ট অমা ওইনা মারচিং তৌবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াদা শরুক য়াগনি। পালন থৌরম অসি থা অসিগী ২৮ দা প্রধান মন্ত্রিগী রেল্লিগা লোয়ননা লোয়শিনগনি।

এন.সি.সি. কেদেদশিংগী মশিংগী মতাংদা শ্রী বিরেন্দ্র ভাটনা হায়-মসি হৌজিক লাক ১৭ তগী ২০ দা হেনগৎলে। মখোয়গী মনুংদা চাদা ৪০ দি

নুপীমচা কেদেদশিংনি। মহাকা হায়-কেদেদ লিশিং ৭৫ না ওপরেসন সিন্ধুরদা শরুক য়াখি। ওপরেসন অদুদা কেদেদশিং অদু সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসনবু মতেং পাংবা অমসুং ভোলুন্টরি ব্লড দোনেসন য়াওনা মেদিকেলগী লমদা মতেং পাংখি।

**মেলাঃ** পৌসা পুর্ণিমাগী শেংলবা ইরুপ্পগা লোয়ননা ঙসিদগী প্রয়াগ রাজগী সঙ্গমদা নুমিৎ ৪৪ নি চথুগদবা মাঘ মেলা হৌরে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা ভক্তশিংনা সঙ্গমদা ইরুপনখি। মাঘ মেলা ওথোরিতিগী মতুং ইন্না ঙসি নুংথিল পুং মরি ফাওবদা সঙ্গমদা পুন্না ভক্তা লাখ ২১ মখায়রোম ইরুপখি।

মেলা অসিগী য়েংদুনা সঙ্গমগী অকোইবদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। মেলা তৌফম অদু কুমশি চহিগী ওইনা হেক্তর ৮০০ রোমবু তোঙান তোঙানবা সেক্তর তরেৎ থোকা খায়দোক্লুনা পাঙথোক্লি।

**বৈষ্ণব ঃ** কেন্দ্রগী রেল মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈষ্ণবনা ঙসি লৈবাক অসিগী অহানবা ভন্দে ভারত স্লিপ্পর রেলগাড়ি য়েংশিনখ্রে।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বৈষ্ণবনা হায়-রেলগাড়ি অসি অহিং য়ারেক্তুনা অশাংবা লমশাং চৎপা য়ানবগীদমক শেম শারবা রেলগাড়িনি। মন্ত্রিনা হায়-মপুং ফানা ইয়ার কন্দিসন তৌরবা স্লিপ্পর রেলগাড়ি অসি থা অসি তঙ্খায় চল্লকপদা গুৱাহাতি অমসুং কোলকাতাগী মরক্তা চেলহনবা হৌরগনি। মসিনা হেন্না য়াংনা, পেসেঞ্জরশিংবু অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা অমদি নুংঙাইনা মখোয়গী পন্থুংফম য়ৌহনগনি।

**ক্রিকেট ঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি মোদেল হয়ার সেকেন্দরি এন্দ ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা-পি.সি.সি. ময়াই কোইবীনা সি.দি.সি.সি. শগোলবন্দ সলাম লৈকাইবু

রন-৪৫ দা থোইখ্রে।

পাব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুরদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা এন.পি.এস.সি. মনিপুর সেন্ত্রেল জেলনা ডব্লিয়ু.ৱাই.সি. থৌবাল ৱাংখেমবু রন-২৫ দা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি লাইরেঞ্জবম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.টি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুং মখোংনা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. পাৎশোইবু রন-১৮ দা থোইখি। মোইজিং প্লে গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা আর.আর.সি.সি. চুরাচান্দপুরনা সেদো-থাংমৈবন্দবু রন-৭১ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** এম.পি.এ থৌনাউজমনা শিন্দুনা থৌনাউজম প্লে গ্রাউন্দদা চঙ্খরিবা অহুমসুবা ইমা পান্থোইবী ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এম.এফ.সিনা ইমোইনু এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** তরুকশুবা চন্দ্রনদি ষ্টেট লেবেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ হয়েংদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হাউরৈবী কাংজেবুংদা হৌরগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াগনি।

**স্পোর্টস ঃ** অনৌবা চহিনা লাকপগা ইরোইননা নহাশিংবু শক্তি পীনবা অমসুং হকচাং ফনা থম্বগী ৱাখল্লোন য়োকখৎনবা পান্দমদা অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী তোঙান তোঙানবা খুলশিংদা শান্ন খোৎনবগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।